পোক্নফম
www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in



জে এন দাস একাদমিদা পাঙথোকপা কলাক্ষেত্র মণিপুরগী ৱেবসাইত হাংদোকপগী থৌরমদা দিরেক্তর ঐচ কন্হাইলালনা ৱা ঙাঙবা

খংজ্রাকপম কৃষ্ণমোহোন্না ইবা 'কেল্লবা উনাগী ঈশৈ' হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক ফোঙবা



| গ্যাসকী পাউ | অঙৈং-অশা | ইংবা | শাবা | নোংজুগী চাং | GOLD (24k) | INR / USD |
|---|---|---|---|---|---|---|
| লামায় ৫ দা | | 15°C | 28 °C | 0.0 mm | ₹ 27,340* *Per 10gm in Kolkata | ₹ 64.9697/ 1$ |

Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol.40, No. 248 | 12 Pages IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 19, 2015 মেরাগী ৬ নি পানবা, নিংথৌকাবা e-mail: poknaphamdaily@yahoo.co.in ₹ 4.50

# মেক ইন মণিপুরদা তেক্নিকেল সপ্পোর্ত পীগদবা লাইন দিপার্তমেন্তশিং অমত্তা য়াওরমদ্রে

## পোত্থোক্কী মমল য়াম্না তানা লেপ্পকপদগী লৌমীশিংগী ৱাখল নিংহন্নরে

**পোক্নফম নিউজ সার্বিস**

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৮ঃ** লমদম অসিগী লাইরিক হৈরবা থবক ফংদ্রিবা নহা লাক্ষ ৭ রোম থবক পীদুনা মণিপুর ইনাক খুলহনগনি হায়বগী পান্দমদা মণিপুর সরকারগী কর্ম্মস এন্দ ইন্দস্ত্রিজ দিপার্তমেন্তনা হোর্তিকলচর অমসুং এগ্রীকলচরগী আইতেম মাপনরোম লৌখৎতুনা স্তেত মিসন অমা ওইনা পায়খৎলিবা 'মেক ইন মণিপুর' দা তেক্নিকেল সপ্পোর্ত পীগদবা লাইন দিপার্তমেন্তশিং য়াওরমদ্রে। মসিনা মিসন অসিগী পান্দমদা অকায়বা লাকহনগদৌরি।

স্তেত অসিগী ইন্দস্ত্রিদা অনৌবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা মণিপুর সরকারগী কর্ম্মর্স এন্দ ইন্দস্ত্রিজ দিপার্তমেন্তনা স্তেত মিসন অমা ওইনা পায়খৎলক্লিবা প্রোগ্রাম অসিদা মীয়াম্না অচৌবা আশা অমা থম্লরি। অপূনবা য়ূমকোক লাক্ষ ৪.৫ রোমদা চহী অমগী ইনকম লুপা লীশীং ৬০ ওইহনগদবা প্রোগ্রাম অসিদা য়ূমথোং খুদীংদা পোত্থোক পুথোকহন্দুনা মার্কেতিং লিঙ্কেজ থন্বীবা অমসুং স্তেত অসিদা জেরো অন-ইমপ্লোয়মেন্ত ওইহনবা হায়বা য়াওরি। অহানবা ফেজগী ওইনা মথং চহী ইং ২০১৬ কী মার্চ ৩১ দগী অপূনবা য়ূমকোক লাক্ষ ২.২৫ দা খুদোংচাবা ফংহন্নবা পান্দম থম্লি।

প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না ফেজ মেনরদা খনগৎলবা ক্লস্তর ভিলেজগী য়ূমকোক খুদীংগী মীওই অমমমবু পায়খৎকদৌরিবা থবক অদুগী ত্রেনীং পীবা, রো মেতরিএল লিঙ্কেজ, মার্কেত লিঙ্কেজ অমসুং স্তোরেজ ফেসিলিতি পীদুনা স্তেত সরকারদা মখা তানা শেল-থুমগী অহেনবা পোৎলুম পুহন্দনবা হোৎনগদবনি।

'মেক ইন মণিপুর' গী মখাদা পায়খৎনবগীদমক হৌজিক স্কিম ৯ রোম খনগৎতুনা শেম শাখ্রে। মসিগী মনুংদা স্তেবিয়া কলতিভেসন, পতচোলি কলতিভেসন, লেমন গ্রাস কলতিভেসন, বি কিপ্পিং, মসরুম কলতিভেসন, পিগ্গরি, ভর্মি কম্পোজতিং, ওর্গানিক তরমরিক অমসুং ওর্গানিক জিনজর কলতিভেসন অসিনি।

মিসন অসিগী মতাঙদা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি, পায়খৎকদৌরিবা স্কিমশিং অসি হোর্তিকলচর অমসুং এগ্রীকলচরগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। হায়রিবা দিপার্তমেন্তশিং অসিগী এক্সপার্তশিংগী তেক্নিকেল অমসুং লোজিকেল সপ্পোর্ত স্কিমশিং অসিদা য়াম্না মথৌ তারি। অদুবু বেঙ্ককী অচৌবা শেন্থুং পীথদুনা পায়খৎকদৌরিবা স্কিমশিং অসিদা এক্সপার্তশিংগী সপোর্ত য়াওদনা লৌমী নত্রগা থবক ফংদ্রিবা নহাশিং ত্রেনীং খরা পীরে হায়দুনা মায় পাকপা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিনি।

মরক অসিদা, স্কিম অসিগী মনুং চন্না থবক পায়খৎপা হৌনবগীদমক মণিপুর সরকারগী কর্ম্মস এন্দ ইন্দস্ত্রিজ দিপার্তমেন্তনা দিস্ত্রিক্ত খুদীংমক্তগী লৌমী ৪/৪ খনগৎতুনা য়ু পিগী কনোজদা লৈবা ফ্রেগ্রেন্স এন্দ ফ্লেবর দিবেলপমেন্ত সেন্তরদা চয়োল অমগী ত্রেনীং থারুরবা মতুংদা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে।

ত্রেনীং ফংলবা ফার্মরশিংগা দিপার্তমেন্ত অসিগী ওফিসিএলশিংগা তান্নবদা অহানবা ওইনা লেমন গ্রাস থাউ পুথোক্নবগীদমক ত্রেনীং ফংলবশিংদা জে এল জি (জোইন্ত লাইএবিলিতিগ্রূপ) শেমহনখি। হায়রিবা গ্রূপ অসিগা মণিপুর ফুদ ইন্দস্ত্রিজ কোর্পোরেসন লিমিতেদকা এগ্রীমেন্ত অমা সহি তৌননবগীদমক শেম শাখ্রে হায়রি।

এগ্রীমেন্ত অসিগী মখাদা লৌমীশিংদা লেমন গ্রাস থাহন্নবগীদমক লৌ একর অমদা লুপা লীশীং ৪০ নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংদগী শোর্ত তার্ম লোন পীহনবা। হায়রিবা শেনফম অদুগী লুপা লীশীং ২০ না প্লান্তিং মেতরিএলগী অমসুং লুপা লীশীং ৫ না ভর্মি কম্পোজ পিত লৌমীশিংদা পীহন্নবগীদমক মণিপুর ফুদ ইন্দস্ত্রিজ কোর্পোরেসন লিমিতেদগী একাউন্তদা ত্রান্সফর তৌহনবা অমসুং লেমহৌরিবা লুপা লীশীং ১৫ না লৌ একর অমগী শেম শাবগীদমক লৌমীশিংদা শিন্নবা অসিনি। লোনগী শেনফম অসি আর বি আইনা এপ্রুব তৌরবা নবার্দকী চৎনবা নিয়মদা ইন্তরেস্ত পীহন্দুনা লৌমীশিংনা শিংগদবনি।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি- লৌমীশিংনা পুথোক্কদৌরিবা লেমন মখা লাঃ ৫, কলম ১ দা

লমায় ১ গী মখা

গ্রাস থাউ অসি কে জিদা লুপা ৬৫০ দা চহী ৫ য়োন্নবা লেপখিবা অসিনা স্কিম অসিগী হৌরকপদা লৌমীশিংদা চাওনা নিংহন্নবা ফাওহল্লে। থাউ অসি আসাম য়াওনা অতোপ্পা স্তেতশিংদা এম এল ৭৫০ দা লুপা ৮৫০ ফাওবা য়োল্লি। লিতর অমদদি লুপা ৯০০ দগী তাদনা য়োল্লি।

থাউ অসি পুথোক্নবা হোৎনবদা ত্রান্সপোর্তেসন অমসুং প্রদক্সন কোস্ত য়াম্না চঙগদবনা লৌমীশিংনা অসিগুম্বা স্কিম অসিদগী শেন্দোং ফংবদি লায়রদনা শেল্লেপ মাঙবগী ফীবমদা লৈহনগদৌরি। মসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিংদগী অহোংবা মমলদা থাউ অসি লৈরগা কনাগুম্বা খরগী শেন্দোং ফংনবা শিনব্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লি। লোয়ননা ফজরবা স্কিম অসিনা লৌমীশিংদা অনৌবা ইনোৎ পীবগী মহুত্তা মাইওন লান্না চৎখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।